হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস
Friday, February 26, 2021, Imphal




টি-২০ ক্রিকেট ফোর্মেটতা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না সিক্স ১২৭ য়ৈবগী রেকোর্দ থল্লিবা ইন্দিয়াগী রোহিট শর্মাগী রেকোর্দ নৌনা সিক্স ১৩২ শুবা ঙমখ্রবা ন্যু জিলেন্দগী মমিং লৈরবা বেটসমেন ওইরিবা মার্টিন গুপটিল

ইন্দিয়ানা ইংলেন্দবু ৩শুবা টেষ্ট মেটচতা য়াম্না কোম্না নুমীৎ নীনিগী মনুংদা ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীখিবা টেষ্ট মেটচ অদুদা ঙসি ইংলেন্দগী বেটসমেন জোফ্রা আর্চরবু আউট তাহন্দুনা টেষ্ট ক্রিকেট পুৱারীদা খ্বাইদগী থুনা ৱিকেট ৪০০ লৌবা ঙম্বা রবিচন্দ্রন অশ্বিন



# নুমীৎ নীনিগী মনুংদা ইন্দিয়ানা ইংলেন্দবু অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ অদু ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

অহমেদবাদ, ফেব্রুৱারী ২৫(এজেন্সী): গুজরাটকী অহমেদবাদতা লৈবা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম ওইরিবা নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা শান্নখিবা অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ অদু শুপ্নগী নুমীৎ নীনিগী মনুংদা ইন্দিয়ানা ইংলেন্দবু ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীদুনা মেটচ ৪গী সেরিজ দা মেটচ ২-১দা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে।



নুংথিল অমসুং নুমিদাংদা শান্নবা টেষ্ট মেটচ অদুগী টোস ইংলেন্দনা ঙমদুনা ঙরাং বেটিং তৌবদা মখোয়গী ইন্নিংস অদু ইন্দিয়াগী বোলর অক্ষর পটেলনা ৱিকেট ৬ লৌখিবা লোয়ননা অশ্বিননা ৱিকেট ৩ লৌদুনা রন ১১২দা লোইশিনখিবনি। মদুদা টিম অদুগী ওপনর জেক ক্রাওলিনা রন ৫৩ লৌখিবা অদু নৎতনা অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তা রন ২০ য়ৌবা ঙমখিদে।

ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ঙরাংগী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা বেটসমেন ৩ আউট ওইরগা রন ৯৯ লৌখি। ক্রিজদা রোহিট শর্মা অমসুং অজিনক্যা রাহনে লৈখি। রোহিট শর্মা রন ৫৭ অমসুং অজিক্যনা রন ১ লৌখিবনি। মখা তারকপদা রোহিট শর্মা রন ৬৬ লৌরম্লগা আউট ওইখি। ইংলেন্দগী বোলরশিং অদুগী মায়কৈদগীসু ফজবা ঙমখিবদগী অশ্বিননা রন ১৭ অদুগা ইশান্ত শর্মানা রন ১০ লৌরম্বা অদু নৎতনা অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি ফজবা ঙমখিদে। ইন্দিয়াগী ইন্নিংস রন ১৪৫দা লোইশিনখি।

ইন্দিয়ানা ইংলেন্দদগী রন ৩৩ হেন্দুনা লৈখি। ইংলেন্দনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা অক্ষর পটেলগী ফজবা অমসুং অশ্বিনগী মখা তানা ফজবা ঙমখিবা বোলিংনা ইংলেন্দ শুপ্নগী রন ৮১দা বেটসমেন ১০মক আউট ওইখি।

মায় পাক্নবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী রন ৪৯ লৌগদবা অদু ওপনর রোহিট শর্মা অমসুং সুবমান গিলনা আউট ওইদনা মথংশিংনা রন ২৫ অমসুং ১৫ লৌরগা শুপ্নগী ওভর ৮ শুরকপদা রন ৪৯ অদু লৌবা ঙমদুনা ইন্দিয়ানা অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ অদু ৱিকেট ১০দা থোইবা ঙমখি।

মরিশুবা অমদি অরোইবা টেষ্ট মেটচ ষ্টেদিয়ম অদুমক্তদা মার্চ ৪দগী ৮ ফাওবা শান্নরগনি।

# কে আর এফ সীনা এ কে এস এবু পাঞ্জল ৬-১দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোইরাংনা শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা চথরিবা অনীশুবা কে বাবু মেমোরিয়ল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০২০-২১গী ঙসি শান্নখিবা ১১শুবা মেটচতা কে আর এফ সীনা এ কে এস এবু পাঞ্জল ৬-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফ হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা কে আর এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৯ সাংনুরেননা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং পুংখায় অমরোমদি টিম অনীমক লম্বা মান্নরকপদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদে।

শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা এ কে এস এগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১০ অজমির হুসেননা পাঞ্জল ১ হন্দোকখি। অদুবু কে আর এফ সীগী মায়কৈদগী থংনবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা সাংনুরেননা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লগা মখোয়না ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৩দা ঙাইরবা মতমদা কে আর এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১৭ ইসায়ানা পাঞ্জল অমা চল্লগা ৩-১দা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ কে আর এফ সীগী জর্সি নম্বর ৬ চুংনৈরেংনা টিম অদুগী ৪শুবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখি। এ কে এস এগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদ্রিঙৈ ৭৩শুবা মিনটতা কে আর এফ সীগী জর্সি নম্বর ৩ জোইল কোমনা টিমগী ৫শুবা পাঞ্জল অদু চনখ্রবা মতুং শান্নবগী ৮২শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১৭ ইসায়ানা মহাক্কী অনীশুবা অদুগা টিমগী ওইনা ৬শুবা পাঞ্জল অদু চনশিল্লগা ৬-১দা থোইখি।

# সী দি সী মায় পাকখ্রে, সাই এস টি সী অমসুং এন সী ৱাই দল্লিয়ু ও দ্রো চংখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকপা অহানবা লেট থোকচোম ইবোপিশক (নিংথৌরেন) ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২০-২১গী মেটচ অমদা সী দি সীনা বি এফ এবু মায়থীবা পীখ্রে। এসোসিএসন অসিনা শীনবা ৪শুবা এল ইতোমচা মেমোরিয়ল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী মেটচ অমদা সাই এস টি সী অমসুং এন সী ৱাই দল্লিয়ু ও পাঞ্জল ৩-৩ চন্নরগা দ্রো চংখ্রে।

ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ অদুগী ৭শুবা মেটচ অদু বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখি। মদুদা বি এফ এবু সী দি সীগী শান্নরোয়শিংনা ফজবা হেনখি। মেটচকী ১৬শুবা মিনটতা সী দি সীগী জর্সি নম্বর ১০ পি জি দাননা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

শান্নবগী ২শুবা হাফ ৪৯শুবা মিনটতা বি এফ এগী মায়কৈদগী এম দিঙ্কুনা শোয়বদগী চনশিঙখিবা পাঞ্জলনা সী দি সীগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু ওইহনখি। অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম হৌজিল্লকখ্রবা মতুং ৬০শুবা মিনটতা সী দি সীগী মখা তানা চথরকপা এটেক অমদা জর্সি নম্বর ৯ রোনাল্ডোনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ৩-০দা থোইখি।

ইতোমচা মেমোরিয়ল সুপর দিভিজনদা সাই এস টি সী অমসুং এন সী ৱাই দল্লিয়ু ও পাঞ্জল ৩-৩দা দ্রো চংখি। সাই এস টি সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২১ ভি কেমরুননা টিম অদুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অহুম্মক চল্লগা হেটট্রিক ফংখি। অমরোমদা এন সী ৱাই দল্লিয়ু ওগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১১ নেথনেল, জর্সি নম্বর ১৭ সেংভাইদম অমসুং জর্সি নম্বর ১৬ অসোননা পাঞ্জল অমমম্ চনখি।

# বোনি এফ সী অমসুং পবজি এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): ওদেসিয়স গ্রুপ য়াইরিপোকনা শীন্দুনা য়াইরিপোক নিংথৌনাই প্লেগ্রাউন্দদা টিম ১৮না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী হৌখিবা অনীরকশুবা ওদেসিয়স কপ মণিপুর ষ্টেট ওপন (ইন্টর ভিলেজ) ১১-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা পবজি এফ সী অমসুং বোনি এফ সী মায় পাকখ্রে।

নুমিৎয়ুংবা পুং ১২দা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা মেটচতা বোনি এফ সী অমসুং সোরা এফ সী লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী অয়াম্বা শরুক্তা বোনি এফ সীগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নবা ঙমখিবদগী সোরা এফ সীগী মায়কৈদগী খূৎ হনবা ঙমখিদে। মেটচকী ৯শুবা মিনটতা বোনি এফ সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৩ ইন্দ্রাননা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অনীশুবা পাঞ্জল অদুসু বোনি এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১৬ সালাতুরনা শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল চল্লগা সোরা এফ সীবু ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অহানবা হাফকী লোইরমদাই ২৭শুবা মিনটতা বোনি এফ সীগী মায়কৈদগী মখা তানা চথরকপা এটেক অমদা জর্সি নম্বর ১৭তাজ খাননা পাঞ্জল অমগা চল্লগা সোরা এফ সীবু ৩-০দা অহানবা হাফতা মাঙজিল থাখিবা অদু অনীশুবা হাফ শান্নরকপদসু মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী বোনি এফ সীনা ৩-০দা থোইখি।

নুংথিল পুং ৩.৩০দা শান্নখিবা মেটচতা পবজি এফ সীনা ইটলি এফ সীবু ১-০দা থোইখি।

# এল ৱাই য়ু সীনা নুপা অমসুং নুপীগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসননা শীন্দুনা মোইরাংকম্পু য়ুনিয়ন ক্লবতা থা অসিগী ২১দগী পাঙথোরকপা সিনিয়র মেন্স, ৱিমেন্স অমসুং ভেটরান ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপতা এল ৱাই য়ু সীনা নুপাগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে। নুপীগীদসু এল ৱাই য়ু সী (বি) লৌরেম্বমনা টাইটল লৌখ্রে। অদুগা ভেটরানগীদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী জিবিকানা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

নুপাগী ফাইনেল মেটচতা এল ৱাই য়ু সী লৌরেম্বমনা ভেটো লফুপাৎ তেরাবু পোইন্ট ৪৩-২৬তা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। ফাইনেল মেটচ অদুদা এল ৱাই য়ু সীগী গুরদিপনা বেষ্ট প্লেয়র মনা ফংখি। অদুগা বেষ্ট কেটচরগী মনা অদুসু টিম অদুমক্কী সবিননা ফংখি।

নুপীগী ফাইনেল মেটচতা এল ৱাই য়ু সী (বি) লৌরেম্বম অমসুং ভেটো লফুপাৎ তেরাগী টিমনা ফাইনেল শান্নখি। মদুদা এল ৱাই য়ু সী (বি)না পোইন্ট ৪০-৩১দা থোইদুনা নুপীগী চেম্পিয়ন ওইখি। নুপীগী কাঙলূপ্তা এল ৱাই য়ু সীগী রোশনীনা বেষ্ট প্লেয়রগী মনা ফংখি।

ভেটরানগীদা জিবিকানা ভেটোবু পোইন্ট ৩৭-৩০দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। ভেটরানগী কম্পিটিসন অদুদা জিবিকাগী এন সোমেননা বেষ্ট প্লেয়র, টিম অদুমক্কী ঐচ ইশোকনা বেষ্ট কেটচরগী মনা ফংখি। অদুগা বেষ্ট প্লেয়র ফংখ্রবা এন সোমেননা বেষ্ট রেদরগী মনা অদুসু ফংখি।

# জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): জিট কুনে-দো এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৭ অমসুং ২৮দা ১০শুবা ষ্টেট লেভেল জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপ ২০২১ য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা ময়াই লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা এসোসিএসন অসিদা এফিলিএট তৌরবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনশিং, ইন্সটিট্যুসনশিং, টেক্নিকেল ওফিসলশিং অমদি শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ২৬কী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা শান্নরোয়শিংগী অরূম্বা ওন্ননবা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

# টুর্নামেন্টকী ৱর্কশোপ অমসুং মীফম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমুকচম জয়কিষননা স্পোন্সর তৌবা ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী কোচ/মেনেজর/সী আর এস মেনেজরশিংগী ওইবা ৱর্কশোপ অমা মথং থাগী ৮দা পাঙথোক্লগনি। লোয়ননা মেনেজরশিংগী মীটিংনা মার্চ ১১গী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী মীটিং হোলদা পাঙথোক্লগা ফিক্সরশিং অদু দ্রো তৌগনি হায়রি।

# অনীশুবা ইকোপ নিংথৌ স্পোর্টস মীট ২০২১ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): সোসল কলচরেল এদ্যুকেসনেল এন্দ স্পোর্টস দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এস সী ঈ এ এস দি ও) হৈরোক কৈথেলনা শীন্দুনা শান্নরোয়শিংগী নুমীৎ পাঙথোকপগা লোয়ননা স্পোর্টস মীটসু পাঙথোকখ্রে।

শান্নরোয়শিংগী নুমীৎ অসিগা মরী লৈননা হৈরোক পার্ট-টু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান নোমিনী ওইরিবা এল প্রেমজিৎ, এস সী ঈ এ এস দি ও হৈরোককী প্রসিদেন্ট কে ঐচ শরত, য়ু এফ ও চম্প্রাথোং ব্রাঞ্চকী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ ইনাও মৈতৈ, এম/এস পুর্ণিমা এন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর এন ওংবী রানীবালা লৈমনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এস সী ঈ এ এস দি ওগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ শরতনা ক্লব অসিগী খো-খো শান্নরোয়শিংদা য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখি লোয়ননা অপূনবা মণিপুর হুয়েন লালোং লুপ ৱাঙ্খৈ থাংজম লৈকাই অয়াংপল্লিগী নেসনল, ষ্টেট অমদি নৌনা তমখৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংনা মীতৈ ঐখোয়গী ইনাৎ শাজেল কাঙলোন, থাঙ হাইনবা অমদি খুমন্থেম লৈকাই নুপী লূপ অমদি হৈরোক পার্ট-টু কৈথেল সলাম লৈরক নুপীশিং অনীগী মরক্তা থৌরী চিংনবগী কম্পিটিসনসু পাঙথোকখি।


ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021



Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi
1ST POSITION 2020

It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
— Reshmi Nandeibam

TOPPERS of 2020



9TH POSITION NOVEENA KSH D/o. Sarvodayachand Nirmalabas
10TH POSITION CHALTAN Y. S/o. Y. Shantikumar St. Joseph
15TH POSITION TH. JEET S/o. Th. Rashi St. Joseph
19TH POSITION DHANTHOI S. D/o. S. Homeshor Nirmalabas
19TH POSITION MARY L. D/o. Dr. John P. Little Flower
25TH POSITION H. NANDIBALA D/o. H. Nandalal Nirmalabas
25TH POSITION HENRY O S/o. O. Kumud St. Joseph

| HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST | Date | 18/02/2021 | 22/02/21 | 24/02/21 | 27/02/21 | 03/03/21 | 06/03/21 | VAN AVAILABLE |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | Sub: | English | Maths | MIL | S. Sc. | Science | Adl. Sub. | |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342
HL-B/6780/10/2-17/3


# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

## PUZZLE NO. 41



GM Maghsoodloo, Parham (2676) - Manukian, Artak (2196)
Titled Tuesday 23rd June chess.com INT (2), 2020.06.23

1.d4 e6 2.e4 d5 3.Nc3 Nf6 4.e5 Nfd7 5.f4 c5 6.Nf3 Nc6 7.Be3 a5 8.Qd2 a4 9.a3 g6 10.h4 h5 11.dxc5 Nxc5 12.O-O-O Qa5 13.Ng5 Bd7 14.Nb5 Qxd2+ 15.Rxd2 Rc8 16.Kb1 Na5 17.Bd4 Ne4 18.Nxe4 dxe4 19.Bb6 Nc4 20.Bxc4 Rxc4 21.Nc7+ Ke7 22.Rhd1 Bc6 23.b3 axb3 24.cxb3 e3 25.Bxe3 Be4+ 26.Kb2 Rxc7...

**QUESTION :**
**White wins in 4 moves**

Puzzle 40 Ans. :
**47.**..RD1 **48.**RXF7+ KXF7 **49.**QXH5+ KE7 **50.**RG7+
**50.**QH7+ KF8 **51.**RG8#
**50.**..KF8 **51.**QF7#
**51.**QH8#


**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**
**Ref :- Mut. Case No. 64/SDC/NBL of 2021**
Laishram Sonamani Singh S/o (L) Dhaballo Singh of Nambol Awang Leikai. *-Petitioner*
-Vrs-
(Late) Laishram Dhaballo Singh S/o (L) Jhanjuri Singh of Nambol Awang Leikai. -P.O.
ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dt. 25/2/2021
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 25-Kabowakching Patta No. 457 (Old), 382 (New), Dag No. 1333 an area of 0.57 acres of Phourel Class হায়রিবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।
HL-P/9068/26 *Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol*

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**
**Ref :- Mut. Case No. 67/SDC/NBL of 2021**
Laishram Sonamani Singh S/o (L) Dhaballo Singh of Nambol Awang Leikai. *-Petitioner*
-Vrs-
(Late) Laishram Dhaballo Singh S/o (L) Jhanjuri Singh of Nambol Awang Leikai. -P.O.
ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dt. 25/2/2021
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 21- Kongkham Patta No. 45, 207 (Old), 419/465 (New), Dag No. 347 an area of 1.30 acres of Phourel Class হায়রিবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।
HL-P/9068/26 *Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST**
**Ref :- Mut. Case No. 181/SDC/SLG of 25/02/2021**
Parties :
1. Soibam Khelen Singh S/o Nodiyachand Singh of Yumnam Leikai Lairembi Maning.
2. Soibam Mohindro Singh S/o Nodiyachand Singh of Yumnam Leikai Lairembi Maning.
3. Soibam Dhirendro Singh S/o Nodiyachand Singh of Yumnam Leikai Lairembi Maning.
4. Soibam Amul Singh S/o Nodiyachand Singh of Yumnam Leikai Lairembi Maning. *-Petitioners*
-Vs-
Late Pattadar
Soibam Tomba Singh S/o Chaomacha Singh of Khurai Soibam Leikai. *-Opposite Parties*
ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Sagolmang, the 25/2/2021
Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি শওম্বুং তহশিল খুল নং 16-Yumnam Patlou পাট্টা নং 42 (অরিবা) 96 (অনৌবা) দাগ নং 100 মোট এরিয়া 1.23 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃত্যু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।
**Sd/- Sub-Deputy Collector, Sagolmang, Imphal East**
HL-P/9072/26

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST**
**Ref :- Mut. Case No. 182/SDC/SLG of 25/02/2021**
Parties :
1. Soibam Khelen Singh S/o Nodiyachand Singh of Yumnam Leikai Lairembi Maning.
2. Soibam Mohindro Singh S/o Nodiyachand Singh of Yumnam Leikai Lairembi Maning.
3. Soibam Dhirendro Singh S/o Nodiyachand Singh of Yumnam Leikai Lairembi Maning.
4. Soibam Amul Singh S/o Nodiyachand Singh of Yumnam Leikai Lairembi Maning. *-Petitioners*
-Vs-
Late Pattadar
Soibam Nodiyachand Singh S/o (L) Tomba Singh of Khurai Soibam Leikai. *-Opposite Parties*
ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Sagolmang, the 25/2/2021
Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি শওম্বুং তহশিল খুল নং 16-Yumnam Patlou পাট্টা নং 19 (অরিবা) 106 (অনৌবা) দাগ নং 248 মোট এরিয়া 2.64 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃত্যু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।
**Sd/- Sub-Deputy Collector, Sagolmang, Imphal East**
HL-P/9072/26

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**
**Ref :- Mut. Case No. 66/SDC/NBL of 2021**
Laishram Bhabani Singh S/o (L) Dhaballo Singh of Nambol Awang Leikai. *-Petitioner*
-Vrs-
(Late) Laishram Dhaballo Singh S/o (L) L. Jhanjuri Singh of Nambol Awang Leikai. -P.O.
ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dt. 25/2/2021
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 24- Balaramkhul Patta No. 101 (Old), 225 (New), Dag No. 264 an area of 0.84 acres of Phourel Class হায়রিবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।
HL-P/9068/26 *Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol*

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**
**Ref :- Mut. Case No. 65/SDC/NBL of 2021**
Laishram Bhabani Singh S/o (L) L. Dhaballo Singh of Nambol Awang Leikai. *-Petitioner*
-Vrs-
(Late) Laishram Dhaballo Singh S/o (L) Jhanjuri Singh of Nambol Awang Leikai. -P.O.
ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dt. 25/2/2021
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 19- Nambol Awang Patta No. 13 (Old), 57 (New), Dag No. 121 an area of 0.62 acres of Phourel Class হায়রিবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।
HL-P/9068/26 *Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol*